**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 10-01-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১)  এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেতরি, অনুরাগ ভাজপায়না হায়রি- লৈবাক অসিদা গাড়ি এক্সিদেন্টকা মরী লৈননা মী শিবগী চাংচৎ অদুদগী মণিপুরগীনা হেন্না ৱাংলি।

২)  কঞ্জারভেসন ওফ সঙাই অমসুং অকোইবগী খল ঙাক শেন্দুনা থমবগী মতাংদা নুমিৎ নিনি চত্থগদবা খন্ন-নৈনবগী মীফম   অমা ঙসিদগী কৈবুল লমজাউদা হৌখ্রে।

৩)  হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি-  তুংগী মীরোলগীদমক খল্লগা ঐখোয়গী লৌফমশিং কন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে।

৪)  পরিক্ষা পে চরচা  ২০২৬ দা মীওই কোতি ৪ হেন্না রেজিষ্ট্রেসন তৌদুনা হান্নগী গিনিস ৱার্ল্ড রেকোর্দ থুগাইখ্রে।

অমসুং

৫)  কেন্দ্রগী মন্ত্রি হরদিপ সিংহ পুরিনা হায়রি- সরকারনা নুপীশিংবু চাওখৎ লমজেলদা মাংজিল থাহন্নবা হোৎনরি।

------

ত্রান্সপোর্ট (এল) ঃ  টেক্সতাইলস,  কম্মর্স, ইন্দষ্ট্রিজ অমসুং ত্রান্সপোর্টকী এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেতরি, অনুরাগ ভাজপায়না হায়রি- গাড়ি এক্সিদেন্টকা মরী লৈননা মী শিবগী চাং অসি নেসনেল এভরেজদগী মণিপুরনা হেন্না ৱাংলি।

মহাকা হায়- ভারত পুম্বগী ওইনা এক্সিদেন্টতা মী শিবগী চাং অসি চাদা ৯ ওইবা মতমদা মণিপুরদা চাদা ২৯ ওইরি।

নেসনেল রোড সেফতি মন্থ ২০২৬ কা মরী লৈননা ষ্ট্রেংথনিং মেদিয়া পার্টনরসিপ ফোর সেফর রোডস হায়বসিগী মতাংদা ত্রান্সপোর্ট বিভাগনা শিন্দুনা পাঙথোকপা মেদিয়া সেন্সিটাইজেসন থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী ভাজপায়না হায়- হৌখিবা চহি ৭ অসিদা মণিপুরদা গাড়ি এক্সিদেন্ট লিশিং ৩ হেন্না থোকখি। মসিদা মীওই ৮৩০ গী পুন্সি মাংখি। মহাকা হায়- চহি অসিগী জনুৱারি ১ দগী ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কদবা রোড সেফতি মন্থ অসি শুপতগী থৌরম অমা ওইনা পাঙথোকপা নত্তে। মসিদি মীয়াম পুন্না হোৎনদুনা মমল য়াম্লবা পুন্সিশিংব্ কনশি হায়বনি। ইম্ফাল ইষ্টকী খুমন লম্পাক্তা লৈবা আই.এস.বি.টি শেমজিনবগী থবক চত্থরিবা অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্দুনা মপুং ফানা শিজিন্নবা হৌরগনি। মহাকা হায়- মল্টি লেবেল পার্কিং থমবা মফমশিং খঙদোক্লে।

কৈশামপাৎ ইম্ফালদা লৈবা দি.আই.পি.আরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ত্রান্সপোর্টকী দিরেক্তর-খুমন্থেম দাইনানা হায়- ইং ২০২৪ গী জনুৱারিদগী দিসেম্বর থা ফাওবদা চলান লিশিং ৩,০৫৯ কক্তুনা লুপা লাখ ৭১ লিশিং ৩৩,৭০০ খোমগৎখি। ইং ২০২৫ গী ওইনদি চলান লিশিং ১৫.০৭৩ ককপগা লোয়ননা লুপা কোতি ৪ লাখ ৪৭ লিশিং ৮৫,৭০০ ফাইন ওইনা থিহনখি। মহাকা হায়- মীয়ামা থৌনরিবা গাড়িশিং চহি ১৫ হেল্লবসু মদুগী কন্দিসন ফরবদি চহি খরা শাংদোকপগী খুদোংচাবা পীনবা দ্রাফট রুল শেম্বা লোইরে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা আই.পি.আরগী দাইরেক্তর ঙাঙোম উতমনা হায়- নাগামপালদা শারিবা মল্টি লয়ার পার্কিং অসিগী মথক্তা ইম্ফালগী ইমা কৈথেল অনিদা পার্কিং শাবা লোইশিল্লক্লে। মসি লোইশিল্লবা মতুংদদি বজার মনুংদা গাড়ি চিনবগী চাং হন্থহনবা ঙম্লগনি।

থৌরম অদুদা ত্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস ৱিংগী এদিসনেল এস.পি- তায়েনজম বিশোরজিৎ, অমজ্গী প্রসিদেন্ট- অশেম ভক্তা সিংহ অমসুং এদিটরস গীল্ডস মণিপুরগী প্রসিদেন্ট-খোগেন্দ্র খোমদ্রাম শরুক য়াখি।

লোক্তাক (এল)ঃ  কঞ্জারভেসন ওফ সঙাই, ইটস ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ সসটেনেবল দিবলপমেন্ট হায়বসিগী মতাংদা নুমিৎ নিনি চথুগদবা রাজ্য থাক্কী ৱার্কশোপ কম এৱারনেস প্রোগ্রাম ঙসিদগী কৈবুল লমজাউ চিংমৈ অৱাং লৈকাইদা হৌখ্রে।

প্রোগ্রাম অসি সোসাইতি ফোর সঙাই এন্দ নেচর কঞ্জারভেসন কৈবুল লমজাউনা আই.বি.এস.দি. ইম্ফাল, কেন্দ্র সরকারগী দিপার্টমেন্ট ওফ বাইও টেকোলোজি অমসুং ৱাইল্ড লাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়া-ধেরাদুন, মনিপুর সরকারগী ফোরেষ্ট বিভাগ অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা পুন্না শিনবনি।

হৌদোকপগী থৌরমদা ব্রিক-ইন্সটিট্যুট ওফ বাইও রিছোর্সেস এন্দ সসটেনেবল দিবলপমেন্টকী দাইরেক্তর-ডা: ননাওচা শর্ম্মা, লম অসিদা খঙ অহৈরবা মীওই কয়া অমদি সোসাইতি ফোর সঙাই এন্দ নেচর কঞ্জারভেসনগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

ৱার্কশোপ অসিদা, সঙাইবু করমা য়োকখৎকনি অমদি ঈশিং নুংশিৎকী হোংলক্লিবা অসিনা কৈবুল লমজাউ নেসনেল পার্কতা পীরিবা চৈথেং হায়বসিগী মতাংদা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

কংগ্রেস (এল) ঃ  সংসদকী হাউস অনিমক্তা এম.জি-নরেগাবু ভিক্সিত ভারত গেরেন্তি ফোর রোজগার এন্দ আজিবিকা মিসন গ্রামিন (ভি.বি.জি রাম জি) হায়না ওথোকপদা অয়াবা পীখিবা অদু হন্দোকবা কংগ্রেসনা লৈবাক শিনবা থুংনা চংশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস কমিতিনা শিন্দুনা থৌবাল জিলাদসু এম.জি-নরেগা মচাউ সংগ্রাম পাঙথোকখ্রে। থৌবাল জিলাদা চংশিনখিবা খোঙজং অদুদা শরুক য়ারদুনা মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিগী মাইনোরিতি দিপার্টমেন্টকী চেয়ারমেন ৱাই. জাকির হুসেন্না হায়-লৈবাক অসিগী লাইরবশিংদা নুমিৎ চা কয়া থবক পীখ্রবা এম.জি-নরেগাবু নৌনা মমিং ওন্থোকপা অসি লাইবক থিবনি।

বিরেন (এল) ঃ হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- রাজ্য অসিগী মীতৈশিংনা খুন্দারিবা মফম অসি য়ামা পিকপা মফমনি। সরকারগী থবক চংনবনি হায়দুনা লম য়োনবগী ৱাখল্লোন অসি থাদোকশি।

ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশংবমদা লৈবা লুৱাংশংবম য়ুনাইতেদ ক্লবনা শিন্দুনা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাং, লম লৈবা-য়োনবা, লৌফম কনবা অমসুং নিশা শিজিন্নবা মীওইশিং হেনগৎলকপগী মতাংদা পাঙথোকপা খন্ন-নৈনবা মীফমদা শ্রী বিরেন্না হায়- মীতৈশিংনা খুন্দারিবা মফম মণিপুরগী অপুনবা লমগী শরুক চাদা ১০ খক্তনি। মসিদা লম য়েন্থোক্তুনা থবক চংবগী ৱাখল্লোন অসি হোংদোকপা তঙাইফদে। মহাকা হায়- পিকখ্রবা লমগী শরুক অসিদা লৌফম মাংশিল্লকপনা চীঞ্জাক্তা মীপাল তাংনবা মরম অমা ওইরি। তুংগী মীরোলগীদমক খল্লগা ঐখোয় থবক তৌশি। শ্রী বিরেন্না মখা তানা হায়- শুবা নোম্বগী হৈনবী লৈরক্তবনা নিশা শিজিন্নদুনা অরেম্বদা মতম মাংহনবগী চাং ৱাংখৎলকপনি। নিশা শিজিন্নবা অসিনা মরম ওইরগা অঙাং পোকপগী চাংসু হন্থরক্লিবনি। ঙাইহাক্কী নুংঙাইবনা তুংদা ওইরক্কদবা মাংজবশিং উবা ফংদ্রে।

মীফম অদুদা লুৱাংশংবমদা লৈবা তোঙান তোঙানবা লৈকাইগী ক্লব অমদি মৈরা পায়বীগী লুচিংবা অমসুং মীয়ামা শরুক য়াখি।

এৱারনেস (এল)ঃ ৱিমেন সেল্ফ হেল্প গ্রুপ বিজিনেস ইম্পৱারমেন্টকী মতাংদা মীয়াম্বু খঙহনবগী থৌরম অমা ইম্ফাল ৱেষ্টকী খোংহামপাৎ মন্ত্রি লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি এম.এস.এম.ই টেকোলোজি সেন্তর ইম্ফাল, লমজিং মৈরা ভি.এল.ভি অমসুং তুবিলৈমা ভি.এল.এফনা পুন্না শিনবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এম.এস.এম.ই টেকিকেল সেন্তর ইম্ফালগী দিপ্যুতি দাইরেক্তর ডাঃ শিনাম য়োইরেনতোম্বনা হায়- থৌরম অসি নহাশিং, ওন্তরপ্রেন্যুরশিং অমদি সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংদা মখোয় মখোয়না তৌরিবা শিনফমশিং অদুদা হেন্না কান্নবা পীবগা লোয়ননা শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবগী পা দমদা পাঙথোকপনি।

থৌবাল (এল) ঃ  মণিপুর সাহিত্য সম্মিতি থৌবালনা চহি অনি অনি কান্নরগা পীবা মনাশিং অসিগীদমক আইবা অইবীশিংনা ২০২৪ দগী ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা ফোংখিবা লাইরিকশিং সম্মিতি অসিদা কোপি অহুম অহুম থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লকবা সম্মিতিগী চেরোল অমনা হায়রি।

ভিদিএফ (এল) ঃ   রাজ্য অসিগী জিলা ১৬ তা লৈরিবা ভি.দি.এফশিংনা মখোয়গী অৱামল হেনগৎহল্লু হায়বা য়াওনা তাল্লিবা তোঙান তোঙানবা দাবীশিং অসি থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোকপীনবা  ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ভি.দি.এফ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না আপীল তৌরক্লি ।

পরিক্ষা ঃ  পরিক্ষা পে চরচা  ২০২৬ দা মীওই কোতি ৪ হেন্না রেজিষ্ট্রেসন তৌদুনা হান্নগী গিনিস ৱার্ল্ড রেকোর্দ থুগাইখ্রে। মমাংগী পরিক্ষা পে চরচাদা মীওই কোতি ৩ লাখ ৫০ হেনবনা রেজিষ্টর তৌখিবনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান্না হায়- ঙসিদি পরিক্ষা পে চরচা অসি লৈবাক শিনবা থুংবদা মরুওইবদা থৌরম অমা ওইরক্কুনা নহাশিংবু ৱাখল লৈতানা লৈবা ঙমহল্লক্লি। পরিক্ষা থাগদৌরিবশিংনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা পরিক্ষা পে চরচা অসিদা শরুক য়াবীনবা মন্ত্রিনা আপীল তৌরি। মহাকা হায়- পরিক্ষা পে চরচা অসি মীয়াম হুপা শরুক য়াবা প্লেটফোর্ম অমা ওইরক্লি। মসিদা মহৈরোই, মখোয়গী মমা মপা অমসুং ওজাশিং অমত্তা ওইনা প্রধান মন্ত্রিগা হকথেংননা ৱারী শান্নবগী খুদোংচাবা পীরি।

পুরি ঃ  বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি হরদিপ সিংহ পুরিনা হায়রি- সরকারনা নুপীশিংবু চাওখৎহনবতা নত্তনা চাওখৎ লমজেলদা নুপীশিংনা মাংজিল থানবা হোৎনরি। মহাকা হায়- সরকারনা খুঙ্গং অমসুং সহরগী নুপীশিংগী চাউখৎ থৌরাংগীদমক তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়ামরুম পায়খৎলি।

কোহম্বতোরদা পাঙথোকপা খন্ন-নৈনবা মীফম অমদা মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং খুমাং চাওশিল্লক্লি। লৈবাক অসিনা ইথানোল অমসুং গ্রিন হাইড্রোজেন পুথোকপগী চাং হেনগৎহন্নবা ওইথোকপা য়াবা থবক থৌরাংশিং পায়খৎনবা হোৎনরি।

বুক ফিয়ারঃ ৫৩ শুবা ন্য় দিল্লি ৱার্ল্ড বুক ফিয়ার ২০২৬ ঙসিদগী ভারত মন্দপমদা হৌখ্রে। লৈবাক অসিগী অমদি মালেমগী অইবশিং, পাব্লিসর অমদি লাইরিক পাবা মীওইশিংনা মেলা অসিদা শরুক য়ারি।

নুমিৎ ৯ নি চত্থগদবা মেলা অসিদা অতৈ লৈবাক ৩৫ গী পাব্লিসর লিশিং অমা হেনবনা শরুক য়ারি। ইন্দিয়ান মিলিটরি হিষ্ট্রি: ভোলোর এন্দ ৱিজদম এদরেট ৭৫ হায়বসিনা লাইরিক্কী মেলা অসিগী হীরম ওইরি।

থৌরম অসি নেসনেল বুক ত্রষ্ট অমদি ইন্দিয়া ত্রেদ প্রমোসন ওর্গনাইজেসননা পুন্না শিনবনি। মসিদা কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী পাব্লিকেসন্স দিভিজনসু শরুক য়ারি।

মোদি (এল)ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিগী নহাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা ভারতপু মপাঙ্গল কনবা অমদি চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনরি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা ভিক্সিত ভারত য়ং লিদরস দাইলোগতা শরুক য়াবা ফংগদবা অসিদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়- লৈবাক অসিগী নহাশিংগী মথৌনা মরিংজেল লৈবাক অসিবু মাঙলোমদা চংশিনবা ঙম্লিবনি।

মীফম অসিগী লোইশিনবগী থৌরমদসু শ্রী মোদি শরুক য়াগনি। মীফম অসিদা তোঙান তোঙানবা কাংলুপকী নহা লাখ ৫০ হেনবনা শরুক য়ারি।

সিতারমন ঃ সংসদকী বজেৎ মীফমগী মাংওইননা কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না সভাপতি ওইদুনা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী

শেল থুম মন্ত্রিশিংগী মীফম ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা কেন্দ্রগী শেল থুম রাজ্য মন্ত্রি পঙ্কজ চৌধরি অমসুং মন্ত্রালয়গী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি। পনবা য়াবদি, সংসদকী বজেৎ মীফম অসি থা অসিগী ২৮ দগী হৌগদবনি।

মালহোত্রা ঃ কেন্দ্রগী রোড ট্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেগী রাজ্য মন্ত্রি হর্স মালহোত্রানা হায়রি- সরকারগী থবক থৌরাংশিং খন্নবদা নহাশিংবু শরুক য়াহন্নবা পায়খৎলিবা ভিক্সিত ভারত য়ং লিদরস দাইলোগ অসি লৈবাক শিনবা থুংবদা খোঙজং অমা ওইরক্লি।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা ভিক্সিত ভারত য়ং লিদরস দাইলোগ ২০২৬ তা শরুক য়ারদুনা মন্ত্রিনা হায়- সরকারনা পায়খৎলিবা খন্ন-নৈনবগী খোঙথাং অসিনা নহাশিংবুসু মখোয়গী ৱাখল্লোন ফোংদোকবগী তাঞ্জা অমা পীরি। মসিনা মতম কয়াগী মমাংদগী লৈবাক অসিগী থবক থৌরাংদা অপনবা লৈরম্বা কয়া অদু কোকহনবদসু মতেং ওইরি। মহাকা হায়- দাইলোগ অসিনা নহাশিংবু লৈবাক্কী থবক থৌরাংশিং হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা হোৎনবদা শরুক য়াবগী ফম্বাক অমা ওইরক্লি। লৈবাক অসিগী ওইনসু নহাশিংবু মহৈ মশিং নিংথিনা তম্বা ফংহনবা, খুৎ-শা হৈহনবা অমসুং থবক ফংহনবা হায়বসিদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

বোক্সিং ঃ নোইদাদা চথরিবা ৯ শুবা ইলিট মেন্স এন্স ৱিমেন্স নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়নসিপতা সার্ভিসেসকী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী বোক্সর মদেংবম জাদুমনিনা কিলোগ্রাম ৫০ দগী ৫৫ ফাওবগী বেন্টম ৱেথ কেটাগোরিদা সনাগী তকমান লৌখ্রে। মহাক্কী ফাউনেল বাউটতা সার্ভিসেসকী পাৱনবু মায়থিবা পীদুনা সনাগী তকমান লৌখিবনি।

চেম্পিয়নসিপ অসিগী নুপীগী কিলোগ্রাম ৭০ দগী ৭৫ গী মিদল ৱেথ কেটাগোরিদা মণিপুরগী বোক্সর থোকচোম সনামচা চনু ফাইনেল চংখ্রে। ঙসি

নুমিদাং শান্নগদবা ফাইনেলদা সনামচানা টোকিও ওলিম্পিক ব্রোঞ্জ মেদালিষ্ট লভলিনা বোরগোহেনগা থেংনগনি।

ফুটবোল ঃ  ১৮ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন্না য়ুথ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লবপু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লিগ মেটচ অমদনা নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (নেসু)না এফ.সি. রেংগাইবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ  তরুকশুবা চন্দ্রনিদি ট্রোফি ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- উরুপ অরাপতি এফ.সিনা কে.এ.এল.ৱাই.সি করামবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা- য়ুনাইতেদ সেক্তা অমদি এম.পি.সি হিয়াংথাং পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো ওইখি।

পোলো ঃ  ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা চত্থরিবা ৩৯ শুবা মেন্স ষ্টেট লেবেল পোলো তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা চীংখৈ হুনবা পোলো ক্লবনা লাইনিংথৌ খোরিফাবা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১৩-৩ দা থোইখ্রে। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা আরবিন্দ পোলো ক্লব-বিনা নোংপোক অপুনবা কাংজৈ লুপ্পু পাঞ্জল ৬-৫ দা অমদি কে এন দ এম.এম.আর.এস-টিম এনা উহল পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখি।

হোক্কি ঃ  চহি খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপগুম চহি অসিদসু কোন্থা অহল্লুপতা লৈবা য়ুথ ক্লব কম ইনফোর্মেসন সেন্তরনা শিন্দুনা রাজমনি হোক্কি তুরনামেন্ট হয়েংদগী ক্লব অসিগী শান্নবুংদা হৌরগনি। থা অসিগী ১৮ ফাওবা চত্থগদবা তুরনামেন্ট অসিগী য়েংলগা কোন্থা অহল্লুপতগী মন্ত্রিপুখ্রি তাবা লম্বীদা অয়ুক পুং ৬ দগী নুংথিল ৫ ফাওবা তুরনামেন্ট লোইদ্রিবা ফাওবা হেভি ভেহিকলশিং

চৎথোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা লৈরগনি হায়না ক্লবগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ক্রিকেট ঃ  কে.সি.দি.ও কোংপালনা ১০ শুবা এম.এন.সি.এ প্লেট ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ৱিন্নর ওইরে। ঙসি থৌবাল মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা কে.সি.দি.ও কোংপালনা আই.বি.এস.এ য়ুমাম লৈকাইবু রন ১৮ দা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ  মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি মোদেল হয়ার সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দ ইম্ফালদা শান্নখিবা মেটচতা এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকনা ব্লু হোক খুরাই লমলোংবু ৱিকেট ৪ দা থোইখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী তাওথোং খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা পি.টি.সি.সি. পাৎশোই পার্ট থ্রিনা কে.এ.এস.সি খোমিদোকপু রন ১৬ তা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ  বি.সি.সি.আইগী মীৎয়েং মখাদা চথরিবা বি.সি.সি.আই দোমেষ্টিক সিজন ২০২৫-২৬ কী নুপীগী চহি ১৫ গী ৱান ডে ত্রোফি ইলিটতা করনাটকনা মণিপুরবু রন ২৭৫ দা থোইখ্রে।

------